ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ফেব্রুৱারী ১০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩১৩শুবা মশীং

# অচুম্বা লানফমদা ঙক য়োনবীয়ু

## দেমোক্রেসি মশক থিহন্নবা য়োল্লক্কনু

'ঙক য়োন্দ্রবদি সেনাপতি ফংবা য়ারোই' নৎত্রগা 'ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংই' হায়রিবা ৱাফমসি চীফ মিনিষ্টরনা হায়খিবনি। ফজখ্রবা মীতৈগী হৌদোকমিন্নরকপা য়েলহৌ পাউরৌনি, চুমসু চুমখ্রবা। ফেব্রুৱারী ৭, ২০২২দা ১১-শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা আর কে ইমোগী ফিরাল চিংখৎপা থৌরমগা মরী লৈননা শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়াম চোন্না তিনবা থৌরম অমদা হায়খিবনি। থৌরমদুগী কভরেজ প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংনা নীংথিজনা তৌনখি। মরমদি মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরকপদগী লৈবাক মীয়ামগী ওইবা পোলিসি প্রোগ্রাম লাউথোকপদা অথিংবা থন্নগসু ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর অমনা শরুক য়াবা ফঙ্কসননি/প্রোগ্রামনি। ইলেক্সনগা মরী লৈনজখিবগী ৱানি, চীফ মিনিষ্টর য়াওবা অমসুং মহাক্না ঙাঙবশিং মীদিয়ানা কভরেজ তৌবা হায়বসিদি হৌনবীনি। মশানা তাবনি। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি ফজখ্রবা পাউরৌ ৱাহৈ পরেংসিগী শীজিন্নফম, শীজিন্নখিবগী মওং অমসুং চাংদম্নখিবা তাঞ্জাদুগী ৱানি। মরমদি মণিপুরগী অমখক্তা ঙাইজরিবা রাজ্য সভাগী সিট অমগী মীখল পাঙথোক্লমদাইদা চুংশিন্নবা লৈঙাকসিবু লুচিংলক্লিবা বি জে পিনা স্পোন্সর তৌবা কেন্দিদেট শোয়দনা মায় পাকহন্নবা হোৎনরকপদা পোলিটিকেলগী অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোকখ্রিবনি। কুমজা ২০১৭কী মার্চতা থেঙ্খাং অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা মীখলদুদগী ২১ খক্তমক কারকখিবা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মনুংদগী অহুম রিজাইন তৌখিবনি। অদুগা এম এল এ ২৮ কাখিবা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল লৌথোক্লবা চিংথোক্তুনা খোপচিল্লুবা কোংগ্রেস এম এল এ খরগী মরক্তগীসু বি জে পিগী স্পোন্সর রাজ্য সভাগী কেন্দিদেটতা ভোট ফংলরোই হায়বগী চিংনবা পোকলকখিবনি। লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী মীরেপ শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়বগী পূক্নিং লুম্বা ফীভম অমা ওইখিদবনি। মসি পূম্নমক মার্চ ১৫, ২০১৭তগী চুংশিনমিন্নরক্লিবা জিরিবামদগী ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমা, থাঙ্গগী ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেস অমসুং লংথবালদগী লোক জন শক্তি পার্টিগী এম এল এ অমমমসু লৈন-লৈননি। মরমশিং অসিনা ওপোজিসন কোংগ্রেসতগী তঙাইফদনা ক্রোস ভোটিং তৌহল্লক্তবা য়াদবগী ফীভম লাকখিবনি।

মায়োক্নরকখিবা ফীভমদুগী মতুংইন্না তৌসু তৌখি, খোঙ থাংখি। মায়সু পাকখি, শরেংসু থোংখি, থাওসু থাকখি। সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবদৌনা রাজ্য সভাগী মীখলদসু মায় পাকখি, য়েক্নবা কোংগ্রেস পার্টিগীসু ময়েং তাহনখি। চুংশিন্নবা লৈঙাক্কি মখোঙ হেন্না চেৎশিনখি, মরা তাহনখি। ক্রোস ভোটিং তৌরকখিবা কোংগ্রেস এম এল এ অনীগী মনুংদা অমা এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌহল্লগা থা ৬কী মিনিষ্টর ওইহনখি। হৌজিক্লা অদুগুম্বা এম এল এ অনীমক্তুদা বি জে পিগী টিকেট পীরকপনি, মীখল থেংনহল্লকপনি। অঙম্বনা তৌবনি, মীয়াম্না য়েংবনি, পূম্নমক্না শিৎ-নান্না খঙনবনি। অদুগা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদুদা চখনখ্রিবা থৌওংশিংদুগী মরক্তা ফজখ্রবা 'ঙক য়োন্দ্রবদি সেনাপতি ফংলোই' হায়বা থৌদৌসিদি থোকপা য়াওখ্রে। মসিমদি তশেং-তশেংলে। অদুবু মপুম ওইনা শুপচিল্লগা য়েংবদদি রাজ্য সভাগী মীখলদা মীরেপ ওইহনখিবা মীওই অমা মায় পাকহন্নবগীদমক থোকহনখ্রিবা থৌদোকশিংদুদি লৈবাকসিগী দেমোক্রেসিগী লংলবা ফজরবা মায়থোঙদা হামুক তৈশিনবগুম থোকখি। ৱাফমসি থোকখ্রিবা থৌদোকশিং, থোকহনখ্রিবা পোলিটিকেলগী চরাংনবা অমসুং তংদু লৈতাহনখিদবশিং অদুদা চেন্নখিবা পূম্নমক্কী ওইবা ৱানি। বি জে পি খক্তগী ওইবা নত্তে। রাজ্য সভা মীখলগী মীরেপ পুথোকখিবা কোংগ্রেসসু চেনবা য়ারোই, মখোয়সু য়াওখি। অদুবু পোলিটিকেল পার্টি অমদগী অমদা চোঙথোক-চোঙশিন তৌনবা অমসুং রিজাইন তৌনবা, দিসক্কালিফিকেসনগী কেস কয়া মায়োক্নখ্রিবা ময়ামদুবু 'ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংই' হায়না শীংথানবদি খরা খজিক চুনদবা, চানদবগী মথক্তা অচুম্বা ওইরোই হায়নীংই। লুজখিদ্রবা পোলিটিক্সকী খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্কী লেভেলদা তৌনদুনা লাক্লবসু মীমাং থোরকপদদি ফজদে। দেমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রোভিজনশিং, মরু ওইনা 'টেন্থ সেদ্যুল' দা য়েংলুরবসু ওন্থোক্লা ফজখিদ্রে। চেন্নখ্রিবা এম এল এশিংদু চু চারুচো হায়দুনা থাখ্রগা মংগ্রা চাদুনা হল্লকই হায়বদুগী থৌদৌদা তাখি হায়বগী ৱানি। মদু নত্তবদা মণিপুরদা চহী ৪০ হেন্না থমজিল্লক্লিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট (অফস্পা), ১৯৫৮ লৌথোকপনচিংবা মীয়ামগী ওইবা ইস্যুশিংগীদমক য়োল্লম্বা ঙক ওইরবদি সেনাপতি খক্তা ফংবদা নত্তনা পাঙথোক্লগদবা মীখলসিদা ভোট খোম্নদ্রবসু য়ারমগনি হায়নীংই। পোলিটিকেল পার্টি অমদগী অমদা চোঙথোক-চোঙশিন তৌবা, রিজাইন তৌবনচিংবদা ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংই হায়বদুনি হায়দুনা থাগৎপীবদি ইলেক্সনগী কেম্প্যেনদবুদি মান্নবা পার্টিগী মীওই অমদি শৌগৎপা খরনবুদি খূবাক খুনিদি হায়ববু দেমোক্রেসিদি অমুক হন্না মায় তাথোক্তবা য়াদবগী ফীভমদা লৈহল্লক্কনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৫

১) *"চাউবী"* হায়বা ১৯৫৭তা অহানবা ওইনা ফোঙবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"কাউরবরা রাস শান্নবগী অহিংদো"** হায়বা দ্রামা অসি দ্রামা অহুমগী পূনশিনবা লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা লাইরিক অদু মমিং করি কৌবগে অমসুং অইবনা কনানো?

৩) **"প্রল্লয়গী মৈরিরক্তগী"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***"মণিপুর শ্রীগোবিন্দ নির্পণ (মৈতৈ পুরানগী ৱা)"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"শ্রী গোবিন্দলীলামৃত (মধ্যাহ্ন লীলা)"*** (১৪ সর্গ ১৮ সর্গ) হায়বা লাইরিক অসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৬৩

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙগী এদিসন অমা/অনীদা শুমাং লীলাগী শঙলেন অমা লৈত্রিবসিগী মতাংদা পন্দি পল্লগা করম্না ওইরকখিবনো হায়বদুগী মতাংদদি দিটেলস অমত্তা ইবা ঙমখিদে। মরমদি মদুগী মমাঙদা লৈরম্বা ইস্যু ময়ামশিং অদু পুশিন্দনা শঙলেন হান্না লাকপা য়াদবনা মরম ওইদুনা। ঙসিদি করম্না শঙলেন অসি ওইরকখিবনো হায়বদুগী মতাংদা নীংশিংনবা ৱারী খরদং মীয়ামদা তমজনবগী তাঞ্জা অদু লৌজরি।

মমাঙ মমাঙদা লৈরম্বা অহল লমনশিংনা শুমাং লীলাগী অপূনবা ওফিস অমা শানবগী ৱাফমদগী হেন্না পাক চাওনা খন্নবা লৈখিদে। মদুমদি লাইনা য়ারোই, মমাঙগী অহল লমনশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনরম্মী। মফম অমা/অনী ফাওবা য়েংদুনা দি সী ওফিসতা চেইদুনা ফনা য়াম্না কন্না হোৎনরম্বগী পাউদম থন্বীরম্মী। অদুবু শুমাং লীলা উৎনবগীদমক অচৌবা মফম অমা কন্দুনা শেমগদবনি হায়বদুগী ৱাদি থোইনা খন্নখিবা লৈখিদে। লৈরল্লবসু মদু থবক ওইনা থৌওইনা শিনবদি উখিদে। মতম অমা ঐহাক্না য়াম্না লুনা তিন্নজবা ইয়াম্বশিং খরা লৈরম্মী। ময়ামদুগী মনুংদা থাওগী বিজিনেস তৌবা ইয়াম্বা অনী অমদি ঐনা পুন্সিদা কাউবা ঙল্লরোই। অমনা ইবোচৌ চীংঙামথক্তগী ককৱাদা থাওগী পম্প হাংবা অমনা চীংঙামথক্তগী থোকচোম ইবোয়াইমা। মখোয় অনীদা নত্তে, মখোয়গী পার্টি অমা লৈ। লীলাসি য়াম্না পাম্মী। মখোয়না লীলা কায়দা তৌদৌরি হায়বসি হংল-হংলগা খোঙহাই চাবা মফমদদি হেক হেক লাক্তুনা য়েংখি। ঐখোয়না লীলা চৎপগী থাও ফংদদুনা য়াম্না ৱানরবা মতমদা হেক হেক হায়দুনা থাও লৌই। অদুম পীবি, মদুনা য়াম্না ঐখোয়দা কান্নবা ওইখি। অসুম্না লীলাদা থৱায় য়াম্না য়াওজবা ইয়াম্বা ময়াম অদুনা ঐখোয়বু পূক্নিং চাওখৎহল্লম্বনি। লাইবক থীবা থৌদোক অমদগী ইয়াম্বা ইবোয়াইমা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মতুংদা ঐহাক হংবা চৎলি। ইমুং মনুংগী মীশিংনসু লোইনা নীংশিংবীরমখিগনি। ইহান হান্না নোংমা লৈখিদ্রবগী ইতৈমনা ঐবু কৌদুনা ৱারী শানখি। হীরমদি ফিরোইগী মমাঙদা শুমাং লীলাগী মফম অমা শেমগৎনবগী মতাংদনি। মদু ঐহাক্লা ময়ামদা অমুক পাউদমদুনা মথং মথং ৱারী ৱাখোঙ কয়া নৈনদুনা শানখি। ঐখোয় মতমদুদা মফম খরা থিখি। খুদোং চাবা কয়া থেংনখিদে। নোংমা অথেংবা নুমিদাংৱাইগী মতম অমদা তামো এম নরনা কৌরকখি। মতমদু তামোসি কলচরগী মিনিষ্টর ওইনা লৈঙাকপা য়াওরিঙৈগী মতমনি। তামো নরনা মফম অমা য়েংলুসি হায়দুনা ঐখোয় মীওই খরা চৎলে। মদুদা য়াওখিবসি ঐ ইশামক, হেমন্ত, লৈখিদ্রবা পাবুং বিনোদ অদুগা পি ঐচ গুনচন্দ্র, তোম্বনচিংবা অসিনি। মী পংয়াম য়াম্বা নত্তে। হৌজিক লৈরিবা বোটকী অৱাংদা লৈরিবা মফম অসি ইশোঙ শোঙবা অহাঙবা লম্ধাং ওইনা লৈরম্বনি। মসিদা ঐখোয়না লাকপসি পুংন্মম মম্মে। তামো নরনা লুচিংদুনা ঐখোয় হৌজিক শঙলেন লৈরিবা মফম অসি কোয়চৎ চৎতুনা নুমিদাং অদুদা য়েংমিন্নখি। তামো নরনা ৱাখল ময়াম অমা পুথোরকখি। মফম অসিদা লীলা পার্টি খুদিংমক্কী ওফিস শাবা, আর্টিষ্ট গেষ্ট হাওস শাবনচিংবা পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি। অহানবদা শঙলেন অমত্তং হান্না শানবা হোৎনরসি হায়দুনা লেপ্পরে। তামো ইবোয়াইমগী ইমুং মনুং য়াওনা কোন্না অমুক ফম্মিন্নদুনা খন্নরবা মতুংদা শাগৎপা হৌখি। ইহান হান্না শাগৎপীখিবসি, লৈখিদ্রবা খোংমন ওক্রম চুথেক্তগী ওক্রম চাওবনা শাবীবা হৌবনি। তামো ইবোয়াইমগী ফেমিলিনা কৎপীরকপা শেনফম অদু শঙলেন অসি য়ুংখৎত্রিঙৈ, মখাদা মখোঙ হৈবা শেম শাবা রোমদা অয়াম্বা লোইশিনখ্রে।

শঙলেন অসি ওইনবগীদমক ঐ ইশামক, হেমন্ত, বিনোদ, ইবোতোম্বী, তোম্বা খরসিনা মপূং ওইরগা মরক মরক্তা গুনচন্দ্র, কুল্লনচিংবা য়াওবীদুনা ঐখোয়গী খঙন-চান্নবা, আর্টপুনুংশিবীবা পূম্নমক্কী ময়ূম ময়ূমদা অয়ূক অঙনবদগী হৌনা চৎলগা নুমিৎ তাবা ফাওবদা শেল খাইবা চৎলি। মতমদুগী এম এল এ, মিনিষ্টর, ইঞ্জিনিয়র, অচৌবা ফম্নাইবশিং য়াওনা ঐখোয়না চৎখিদবা মফম লৈখিদে। লম লাপ্পা-নকপা থিদনা মফম খুদিংমক্তা চৎলগা হেক খঙনবা মখৈদগী ঐখোয় শেল খাই। য়াম্না হাপ্পীরকপা য়াওই। মমিংতগী ওইনা হাপ্পীরকপসু য়াওই। ময়াম অদুনা নুংশিবীদুনা খাইবিরকপা শেনফম অদুনা শঙলেন অসি শাবদা অচৌবা মতেং ওইখি। য়াম্না নুংশিবা অমদি নুংঙাইরিবদি,

মতমদুগী রিক্সো দ্রাইভরশিং ফাওবা য়াওনা লুপা ৫দা ওইরসু খাইবিখি। ওটো দ্রাইভর, টেক্সি দ্রাইভর, ত্রক দ্রাইভর লোইনমক্না হরাও হরাওনা অঙম্বা শেল খাইবিখি। অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা সেকমাইদা ঐখোয় লৈরগা অরাকপা গাড়ী খুদিংমক (হায়বদি মপান্দা চৎকদবা সব, ত্রক, হল্লকপা, চৎখিবা) লোইনমক্তা শেল খাই। মখোয় ঐখোয়বু উবদা নোক্লা নোক্লা অদুম য়াম্বা য়ামদবা থিদনা পীবিরম্মী। অদুতা নত্তনা লম্বীদা চৎপা খুদিংমক্লসু মতেং পাংবিখি। ইশম শম্না হায়রবদা লৈরিবা শঙলেন অসি মীয়ামগী চাওরবা মতেং য়াওরগা শাখিবনি। পূক্নিং য়াম্না নুংশিবা অমনা, শঙলেন অসি শাবগী থিকাদারনা শেল থৌরকপা, ঐখোয়নদি পীনীংঙাই লৈতবা, অদুনা লাপ্না লম্পাক ৱাংমদা হায়বদি মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজ মমাঙদা ঐখোয়না শেল খাইবা চৎপদা ৱাইরগা তোংলিবা ভেন মনুংদগী য়েংখিবা, থবক শুফম মনাক্তা চঙশিল্লগদি শেল পীয়ু হায়রকপদা পীনীংঙাই লৈতবগী অৱাবা কয়া অদু ঐখোয় মায়োক্নখি। অদুনা নুমিৎ নীনি হুমনি খাইরগা অমুক পীশিন, অমুক খাইবা চৎপা তৌবসিনা ঐখোয় থা অমা হেন্না মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা চৎল-চৎলগা খাইবনি। নোংমনা ককচীং লম্বী, নোংমনা সেকমাই লম্বী, নোংমনা কাংচুপ লম্বী অসুম্না খাইদোক খাইদোক্তুনা শেল খাইখি। মতমদুদা ঐখোয়বু লীলা কাংবুগী মরক্তগীসু য়াওনা য়াম্না নোক্নবীখি। করেম্নবীখি, অদুবু ঐখোয়নদি খাংখি, মসিনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা শুমাং লীলা শঙলেন অমা লিংবা ঙমগদৌরিবনি হায়না। মণিপুরদা হেক লৈরিবা জগোয়, ঈশৈ শকপা, নট সঙ্কীর্তন শকপা, দ্রামা, থিএটর, অতৈ অতৈ আর্ট ফোর্মদা লৈবশিং পূন্না শুমাং লীলা শঙলেন অসি শানবা হোৎনবদা মতেং পাংবীখিবনি। লুপা চাম্মদা ওইরসু, চাম্মঙাদা ওইরবসু। ঐনা হায়জরিবসি, মতেং পাংবীখিবা পূম্নমক্না শোয়দনা নীংশিংবীরমখিগনি। মতেং পাংলকপা পূম্নমকশিংগী ওইবা দোনর লিষ্ট অমা ইদুনা মফম চানা থেৎসি হায়না খন্নখিবনি। অদুবু শেল চাউনা পাংলকপা অমদি খজিক্তুং পাংলকপা ময়াম অদুগী মমিং মথা লোইনা ইবদা য়াম্মনবদা মদুগী খুদোংচাবদি লৈখিদে।

তপ্পা তপ্পা শঙলেন অসিগী ফিরেপ অমা তল্লকপদা মথক কূপ্পবা, মদুগী য়োৎ, তিন, লেবর ময়াম করম্না মেনেজ তৌগদগে হায়বদা য়াম্না অরুবা অমা ওইখিবনি। অদুবু তামো নরনা অচৌবা থৌদাং লৌবীদুনা, দিপার্টমেন্ট খরগী অরৈবা মেনপৱার অমদি মথৌ তাবা পোৎ চৈ ময়াম অমা পুথোক্তুনা শিনবী লাংবীরগা মথক কুপখি। অদুগী মতম অদুদদি লেবর হায়বসি ঐখোয় ইশা য়াওনা থবক শুমিন্নরে। য়োৎ হাপ্পা, মদুগী শৌবা, মখাদগী মথক্তা তিন লানখৎপা মদু অমুক কুপ্পবা হোৎনদুনা হুমাং তাবা মখৈ শুখিবনি। কয়াদা নুংশিখ্রবা ৱারীনো? শঙলেন অসি মতমদুগী গভর্ণরনা শঙ্গাবীখি। শঙ্গাগদবা নুমিৎকী অয়ূক্তু ফাওবা থবক লোইশিন্দবদগী শেম শাখি। ইরুফাওবা লুজবা নংদনা গভর্ণর লাক্লগা থৌরমদু মায় পাক্লা পাঙথোকখি। মসিগী মতুংদগীদি মতম মতমদুগী এম এল এশিং, মিনিষ্টরশিং অমদি অতৈ অঙম্বা কয়া অমনা চোঙথোকপীদুনা মচেৎ মচেৎ শেম্বী শাবীদুনা ফীভম অসি ওইখি। খরা অমনা ফক্লাং নাকল অমা হেক খা, অমনা নাকল অমা খা তৌদুনা ঙসিদি ফজখ্রবা শঙলেন অমা হায়বদু ওইরে। কয়াদা চাওথোকচনীংঙাই ওইরবনো? মতমদুদা মসি ওইরক্লবা হোৎনখিবা কয়াগী অশেংবা ৱারীদি হৌরক্লিবশিং অসিনা খঙখিদ্রে। খঙননবা ইথোক্তুনা মসিগী হৌরকপা করম্না ওইরকপা, কয়ামুক ৱাখিবা, কনানা মতেং পাংখিবা হায়বনচিংবা কয়া চেফোঙ ওইনা ফোঙদুনা ইথোক্তুনা থম্নম্নগদি তুংদা হৌরক্লিবশিংনসু অমদি শুমাং লীলাগী ওইবা মপূং ফাবা পুৱারী অমা শেমগৎপদসু অচৌবা মতেং ওইগদবনি খল্লি। মমাঙঙৈ ঐনা সেক্রেটরি ওইরিঙৈ মতমদা অমুক ফোংবা হৌরম্নগা জর্নেল অদু হৌজিক মখা তানা ফোঙবদা অসিগুম্বা মুৎনাইররোইদবা ৱারী ৱাখোঙ কয়া অসি ফোঙদুনা থনম্বা য়াগনি। মসিমসু হৌজিক্কী মতমগী হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা ওইথোক্লবা পরিং অমা য়াৎপীরকখিগনি হায়বগী থাজবা থমজগে। মতম চূপ্পদা শুমাং লীলানা মরেক মহাউ থোক্লা মতিং লৈনা হিংদুনা লৈবা ওইরসনু। ●

# করম্বা মীরেপ খনগৎসিগে

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

মীখল য়ৌশিল্লক্লে। লুরিবদি করম্বা কেন্দিদেট খনগৎসিগে হায়বসিনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনসিদা ঐখোয় মীচম মীয়াম্না খ্বাইদগী অহানবদা তৌগদবা ইথৌসি মীখলদা ঐখোয় শেল খরা চাইথোক্লগা ইরায় লায়না লৈবা য়াদ্রে হায়না উৎথোকপা ঙম্বা অসিনি। মসি হেক ঙমদ্রিবা মখৈ ভোট কাখ্রবা মীরেপশিংনা মীচম মীয়াম ঐখোয়বু করিসু লৈতনা খনবগী হৈনবীসি অদুম লৈখিগনি লুচিংবশিং অসিগী মফমদা। মরম অসিনা মীয়াম্বু শেলনা ইরায় লায়না লৈবা য়াই হায়বগী ৱাখল্লোনসি থুদেক্লসি হন্দক্কী মীখলসিদদি।

মমাঙগী ইলেক্সনদগীদি হন্দক্কী মীখলসিদনা শেল হেন্না চাইথোরক্কখিগনি। শেল পীরক্লবনিনা পীরক্লিবা শেলদো লৌদবদি য়াম্না ৱানা থোক্কনি মীওই অয়াম্বনা শেল পায়দবনিনা। মসি খঙনা ইরমদমগী পাল্লিবা লৈঙাক্লা মীয়াম্বু অসুক্কী মতিক ৱানা, শেল য়াওদনা থল্লক্লিবা অসিনি। ইচম চম্বা খুদম হায়ববু সেন্টরনা পীথরকপা মীয়ামগী চেঙ, হৱাই অমদি শেল মীয়ামগী খূৎতা মপূং ফানা, মতম চানা অমত্তা পীবিদ্রিবা অসিনি। মতম চানা মখোয়না ফংফম থোকপা পোৎলমশিং অমদি শেনফম অসি ফংহল্লবদি মীয়ামসি অদুক হাক্লা ৱারোই অমদি শেলগী মথৌ তারোই অদুনা ইলেক্সনদা শেল পীদুনা মখোয়দগী ভোট লৈবা ঙম্লোই হায়দুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা শান্নরিবা লীলানি। মসি খঙনা ঐখোয়না শেলনা লৈবা য়াদ্রে হায়বসি উৎথোকপা য়াম্না মথৌ তাই।

মীরেপনা শেল পীরকপা লৌগেরা লৌরোইরা সোম সোমগী ফীভমদা লৈরে। অদুবু শেল লৌরুরবদি পীরক্লিবা মীরেপ্তুদা ভোট পীদবা য়াদে হায়বগী ৱাফমদি থম্বীগনু। মরমদি মখোয়না পীরক্লিবা শেনফমদো মখোয়না ৱানা তাঞ্জবা শেনফম অমত্তা নত্তে, মীয়ামদগী ফত্তবা পাম্বৈনা চুপখিবা শেনফমনি। মরম অসিনা শেল লৌরুবনিনা মীশক্তুদা ভোট পীদ্রদি পাপ পুগনি হায়বনচিংবা পাপ-পুন্যগী ৱাফমসি থাদোকপীয়ু। পীরকপা শেল লৌথোকপীয়ু অদুম ওইনমক ভোটতি শোম শোমনা মতিক চাই হায়না থম্মোয়দা খনবীবা মীরেপ অদুদা পীবিয়ু।

খুন্নাই অমা শেমগৎসি হায়বসি অফবা লুচিংবা য়াওদবা য়াদে। মরম অসিনা মীখলদা মীরেপশিংদগী শেল লৌগেরা লৌরোইরা অফবা লৈবাক্কী খনবা ঙম্বা লুচিংবশিং খনগৎপা মথৌ তাই। করম্বা মীরেপনা অফবা লুচিংবা ওইগনি হায়বগী ৱাফমসিদা ঐখোয়না য়েংবা য়াবা ৱাফম খরা থমজগে।

অহানবদা, মীরেপ অমা ওইরবদি লাইরিক লাইশু খরা হৈবা মথৌ তাই। মীরেপ অমনি হায়না চোঙথোরক্লগা লাইরিক লাইশুসু হৈতবা মীরেপ অমবু হেক্তা শৌগৎপা হায়বসি অরানবা ওইগনি। ঙসি দিজিটেল অমদি ২১শুবা সেঞ্চুরিগী মতমসিদা লুচিংবশিংগী মফমদা লাইরিক লাইশু হৈবসি য়াওদা য়াদ্রবা মতিক ময়াই অমনি। অদুবু ইন্দিয়া অমদি ইরমদমদদি লাইরিক লাইশু হৈতবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টর কয়া অমা য়াওরি। ইংলিসকী সেন্টেন্স অমা ফাওবা নিংথিনা ঙাঙথোকপা ঙমদবা মীওই অমবু মিনিষ্টরগী ফম হাপচিনবা হায়বসিবু হৌনরিব্রা। লাইরিক লাইশু য়াওদনা করম্বা খুন্নাই অমা চাওখৎপা য়াওখ্রবগে। মরম অসিনা লুচিংবা অমা খনগৎপদা লাইরিক লাইশুগী ৱাফমসি খন্থফম থোকই। পাউচেদ থেংনখিবদা উত্তর প্রদেশ হায়রিবা ষ্টেট অসিখক্তুদা লাইরিক শুংহৈ হৈতবা মীরেপ ১৫ য়াওরি অদুগা ক্লাস আইট ফাওবখক তমহৌবা মীরেপনা ১২৫ ওইরি। মসিসু ষ্টেট অমখক্কী অহানবা ফেজদা। ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা য়েংলুরবদি কমদৌবা। মসিমক্নি ইন্দিয়ানা চাওখৎপদা অসুক্কী মতিক খোঙথাং তপ্লিবা। লাইরিক হৈতবা হায়বসি মীৎ উদবগা চপ মান্নে হায়নরিবনি অহল লমনশিংগী পাউতাক্তা।

অনীশুবদা, ক্রাইমদা চেন্নবা, মরু ওইনা দ্রগ লল্লোন্দুনা খুন্নাই অসিবু লৈখা তাহল্লিবা মীরেপশিং, রেপ কেসতা অমদি মীহাৎ মীপূনদা চেন্নদুনা মীওইবগী পুন্সিবু করিসু মমল লৈতনা খনবা ঙম্বা মীরেপশিংদা য়ারিবমখৈ ভোট পীরোইদবনি। হায়রিবা ক্রাইমশিং অসিদা চেন্নবা মীওইশিং অসি লুচিংবা অমা ওইরকপা মতমদসু হায়রিবা ক্রাইম কয়া অসি থোকহল্লকপগী ওইথোকপা য়াম্না লৈ। মখোয়না লুচিংবা অমা ওইরকপা মতমদা হায়রিবা ক্রাইমশিং অসি মখোয় মশামক্লা তৌরকপগী চাং য়াম্না ৱাংই অদুগা নাকল অমরোমদনা অতোপ্পা অসিগুম্বা ক্রাইমশিং অসি তৌরকপদা মখোয়না লুচিংবা অমা ওইনা থৌশাদনা লৈথোক্কনি। ইন্দিয়াগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংগী মনুংদা চাদা ৪৬তি ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈ হায়না থল্লি। মসিসু অচৌবা মরম অমনি লৈবাক অসিদা ক্রাইম অসুক য়াম্না থোক্লিবা।

অহুমশুবদা, মশা মশাগী পোলিটিকেল ফিরেপ অমা য়াওদনা পার্টি অমদগী পার্টি অমদা, মরু ওইনা মশা মশাগী ওইজবতা য়েংদুনা মীয়ামগী করিমত্তা খন্থবা তৌদনা, মীয়ামগা তান্নবা তৌদনা পাল্লিবা লৈঙাক অদুগী পার্টিদুদা হেক্তা চোঙশিনবা মীরেপশিংদা ভোট পীবিদবা। অসিগুম্বা লুচিংবা শাবশিং অসিনা মীচম মীয়াম্বু করিসু ওইদনা খনগনি। তুংদসু মখোয়গী হৈনবী অসি অদুম তৌরক্কনি মীয়ামগী করিসু খন্থবা তৌদনা। মরম অসিনা অসিগুম্বা মীরেপতি ভোট পীদবনা ফগনি।

অরোইবদা, এম এল এ ওইদুনা, মিনিষ্টর ওইদুনা ইলেক্সনদা শেল চাইথোক্লগা শেঞ্জাও তানগনি খন্না চোঙথোরকপা মীরেপশিংদা ভোট পীদবা, মরু ওইনা মীয়ামগী ঈ চূপ্পা ঙম্বা মীওইশিং, ঐখোয়গী খুন্নাইবু লৈখা তাহল্লিবা দ্রগ লল্লোনবগুম্বা অমদি মীহাৎ মীপূন তৌবা মীরেপশিংদা ভোট পীবীদবা। অসিগুম্বা মীরেপশিং অসিনা লুচিংবা ওইরক্লবদা খুন্নাই অসিবু চিংথবতা নত্তনা অতৈ অফবা করিবু তৌরক্কদৌরিবনো, তৌরক্লোই।

লোইশিল্লকপদা, অতৈ য়েংশিনবা য়াবা ময়াম অমসু লৈরি অদুবু মথক্তা থমজরিবা মরী অসিবু য়েংবীদুনা মীখলদা ভোট থাদবীরবদি অফবা লুচিংবা খনবা শোয়দনা ঙমগনি খল্লি। খুন্নাই অমা শেমগৎপা, শাগৎপা অমদি চাওখৎহনবা হায়বসি অফবা লুচিংবা লৈবা য়াম্না মথৌ তাই। অদুম ওইনমক মীখলদা অফবা লুচিংবা খনগৎপা হৈত্রবা, ঙমদ্রবা খুন্নাই অদো মাঙদা চঙশিনবা খক ওইথোক্লোই। অফবা লুচিংবা পুথোকপা হায়বসি ঐখোয় মীচম মীয়ামগী খূৎতা লৈ হায়বসি ঐখোয় কাউগুমসি। য়াইফমিন্নরসি। ●